মণিপুর ষ্টেটকী এদুকেসন সেক্টর মরিল হোরবা, মপু পান্দবগী মতৌগা চপ মান্নরক্লেঃ এমসু

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ মালেমগী হোংলক্লিবা অয়াঙবা খোঙজেল অসিদা য়াওবা ঙম্নবগীদমক লৈবাক কয়ানা মখোয়গী এদুকেসন সেক্টরদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা হ্যুমেন রিছোর্স চাউখৎনবা অরোইবী থাদুনা হিদান্নরি। অদুবু খ্বাইদগী লাইবক থিবদি লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেটকী এদুকেসন সেক্টর অসিদি মরিল হোরবা য়েংশিনবিনবা মপু পান্দ্রবা হায়বদু ওইরে হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী পল্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী লুনপাও লুফেংনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লৈঙাকপশিংনা এদুকেসন সেক্টরবু চাউখৎহনগনি হায়না কয়ারক ৱাশকখ্রবসু পায়খৎলিবা স্কিম কয়াদি এদবর্টাইজখক্তমক তৌরগা তোক্রে। মপানথোংগী কুয়োমতমক ফজহল্লগা মনুংগী অশেংবা মচৎতি মহাম তারবা ওইরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লৈঙাকপশিংনা হায়খিবা, লাউখিবা কয়াগা গ্রাউন্দ রিয়েলিটিগা পুরা তাইওন্নবা ওইরে। থৌওং অসিমক খ্বাইদগী লাইবক থিবনি হায়না লৌই।

এদুকেসন সেক্টরবু মীপাল তাংদবা অমদি মাঙজিল থাবা সেক্টর অমা ওইহল্লগা ইরমদম অসিদা ক্বালিটি এদুকেসন পুরক্কুনা মীপুম খূদিংমক লাইরিক হৈহন্নবগী পান্দমদা এমসুনা লিশাং শিংনা চথরক্লিবা কেম্পেইন ফোর টুটেল এদুকেসনগা মরী লৈননা স্কুলশিংদা চত্তুনা য়েংশিনবা ঙসিসু লেপত্রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঐচ আর দি সেক্রেটরী ব্রুসে পেবমনা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাঙ্গোই জোন্না কোনবা উচিৱাদা লৈবা উচিৱা গভর্ণমেন্ট হায়স্কুলদা চত্তুনা য়েংশিল্লুবদা য়াম্না অশা লৈবা ওইরবসু অৱাৎ অপাতনা পিক থন্না য়াম্না নীংবা কায়না ওঝা অমদি মহৈরোয়শিং লৈরম্বা থেংনখি।

চৎলিবা চহী অসিগী সেসন্দগী হৌনা প্রাইমারি সেক্সন (ক্লাস ৱানদগী ফাইভ ফাওবা) হাপচিল্লবসু ক্লাসরুম লৈতবদগী মহৈরোয়শিংনা অসুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্নুরি। ক্লাস রুম অমদা উপু খরনা পার্টিসন খায়রগা ক্লাস অনী চত্থরি। জনুৱারী থাদগী সেসন হৌখ্রবসু প্রাইমারি সেক্সনগী ওঝা অমত্তা থারক্তবনা মীওই ২ নেক্তুনা অঙাংশিং লাইরিক তাক্লি। নেক্লিবা মীওই ২ অদুগী থাগী তলবনা ওঝাশিংনা খাইজিন্নদুনা পীরি। য়াম্না ঙক্লিবদি ওঝা মশীং ৱাৎতুনা লৈরিবা স্কুল অসিদা এদুকেসন (এস) দিরেক্টরনা ট্রান্সফার তৌদুনা পোষ্টিং পীরকখিবা ওঝা ২ সিরাজুর রহমন অমসুং ঐচ সরজু দেবী ঙসি ফাওবা স্কুলদা লাক্কুনা ক্লাস লৌরদ্রি অমসুং স্কুল মেনেজমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা ময়ুমদা চত্তুনা হায়রবা ফাওবা লাক্ত্রি হায়বসু খঙলে।

অমরোমদা এস এস এ অমসুং রমশাগী মখাদা প্রাইমারি স্কুলগী ওইনা পীরকখিবা স্কিমশিং মওং মরিল তাদনা মমিংখক্তগী ওইনা লৈরি। ব্লেক বোর্দ, হ্বাইট বোর্দ ফাওবা মশীং শুদবদগী ওঝাশিংগী থারিবা টেবলদা বোর্দ ওইদুনা শীজিন্নরি। মসিমক্তি য়াম্না থম্মোয় কায়নিংঙাইনি। অমুকসু স্কুল অসিগী লৈরিবা টোইলেট শীজিন্নবা য়াদবা হায়বদু ওইরে। মহৈরোয় নুপীমচাশিংগী তোঙানবা টোইলেট শাদবনা অহাঙবা মফমদা তঞ্জা তঞ্জাগী মতুং ইন্না শীজিন্নরি। মসিমক লৈরিবা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা এদুকেসন সেক্টরগী ওফিসিয়েলশিংদি য়াম্না ইকায়নিঙাইনি। লৈরিবা টোইলেটসু শেমজিনবিনবা কয়ারক হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবদি তাশিন্নদনা লৈরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

এস এস এগী মখাদা মহৈরোয়শিংগী য়ুনিফোর্ম হন্দক চহীগী পীদ্রি, টেক্সবুকসু অৱাৎপা কয়া লৈরি। মিদ দে মিলগী প্রোগ্রামসু মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদগী হৌনা কিটচন মেন্টেনেন্স অমদি ওনরেরিয়ম লাক্তবনা চাং নাইনা মহৈরোয়শিংদা পীবা ঙমদ্রি। হায়জিনিক ওইদবা মওংদা সিন্টেক্সতগী ঈশিং কন্দুনা মহৈরোয়শিং থক্লরি। স্কুল অসিগী ফেন্সিং লৈতে, সাইকল সেদ লৈতে, ক্লাস রুমগী ভেরেন্দাদা সাইকল সেদ ওইশিল্লি। অসিগুম্বা অৱাৎ অপাতনা থল্লবা উচিৱা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মওং মরিল তাদবশিং অসি এদুকেসন দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা হাকথেংননা য়েংশিনগদবনি। করিগুম্বা য়েংশিন্দুনা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎলক্ত্রবদি এমসুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শারগনি হায়রি।

লৈঙাক্কী স্কুল অয়াম্বদা লৈঙাক্কী পোলিসি ফেল ওইদুনা লাক্লি। এদুকেসন সেক্টরবু ফোংনা শগুন তৌফম ওহৌক্লি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরিবা ৱাফম্নি হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা মহৈরোয়শিংগী মৎপিখ্রবা হক তান্নবা এমসুনা মতম অমদা হেক্তা অকনবা ফিরেপ লৌরকপা য়াই হায়নসু মখা তারি।

আর পি দব্লিউ দি এক্তকী কান্নবা ফংদ্রি

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ রাইট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটি (আর পি দব্লিউ দি) এক্ত ২০১৬ চৎনরবসু মণিপুরদদি মসিগী কান্নবা ফংদ্রি অৱাৎপনা থল্লে হায়না ষ্টেট প্লেটফোর্ম ওফ দিসএপিলিটি পিপলস ওর্গনাইজেসন (এস পি দি পি ও) মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

এস পি দি পি ওগী প্রসিদেন্ট য়ুনুস খান্না ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, এক্ত অসিগী চেপ্তর নম্বর ৫ দা স্পোর্টস এক্টিভিটিজগী মরমদা য়াওরি। স্পোর্টস ইভেন্ট কয়াদা য়াওবা ঙম্নবা শেমগৎকদবনি, ট্রেনিং অমদি শান্ন-খোৎনফম তম্ফম অমদি শেলগী তেঙবাং পীবনচিংবা কয়াসু য়াওরি। এক্ত অসিগী চেপ্টর ২ দসু দিসএবলশিংগী য়াইফনবা, চেপ্টর ৬ তা দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামদা চাদ ৫ দগী তাদনা দিএসবলশিংগীদমক খাত্তুনা থমগদবনি হায়বনচিংবা কয়াসু য়াওরি।

অমরোমদা মমাঙ চহীদা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টদিয়মদা হ্বিল চিয়ার ফুটবোল কোচিং কেম্প পাঙথোকখি। চেন্নাইদা ৫ শুবা নেস্নেল টুর্নামেন্টদা শরুক য়াখিবা প্লেয়র কয়া লোয়ননা অন্দর ১৯ অমদি কোচকী ট্রেনিং ফাওবা য়াওরুবা কয়াসু লৈরি। অদুবু ফম্নাইবশিংনা হ্বিল চিয়ার লৈবিগনি হায়রম্বদু লৈবিদবদগী ৬ শুবা নেস্নেল টুর্নামেন্ট য়াওখ্রবা ফাওবা করিসু তৌবিদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা কোচিং কেম্প অমদি প্লেয়র লিষ্ট পীবা ঙমদনা লৈরি। টুর্নামেন্ট অসিগী এন্ট্রিগী অরোইবদি চৎলিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। অসুম্না ফম্নাইবা কয়ানা এক্ত অসি য়েংবিদবনা দিসএবল কয়াদি অৱাৎপনা থল্লে। এক্ত অসি নৈনবিদুনা মপূং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন মেমোরেন্দম্নচিংবা পীদুনা হায়জরবসু ঙসি ফাওবদি করিসু তৌবিদ্রি হায়না পেন্দবসু ফোঙদোরক্লি।

নরসিংহ চতুরদসি থৌরম পাঙথোক্তৌরি

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ মমাঙ চহীশিংদা পাঙথোকপগুম হন্দকসু ইন্টরনেস্নেল সোসাইটি ফোর কৃষ্ণ কন্সেসনেস (ইস্কোন)গী ভক্তশিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ দগী হৌরগা মথং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবা ভগবান শ্রীনর সিংহ চতুরদসি পালন এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা মনিমন্দির কমপ্লেক্সকী শ্রীশ্রী প্রলহাদা নরসিং মন্দিরদা পাঙথোক্লগনি।

ইস্কোনগী লাইফ মেম্বরশিং, সিম্পেথাইজরশিং, ভগবান নরসিংহগী ভক্তশিং অমদি ইরৈচা খ্বাই খিবিক্লা থৌরম অসিদা শরুক য়াবিয়ু হায়না ভক্তি কৎলি।

জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল কেম্পস মনাক্তা ফত্ত-হৌদি হৈদোকপনা খুদোংথিবা মায়োক্নরে

জিরিবাম, মে ১৫ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈরিবা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী কেম্পস অমসুং প্লে গ্রাউন্দ মনাক্তা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অমোৎ অকায় ফত্ত-হৌদি হুন্দোকফম ওইনা শীজিন্নরিবা অসিনা মরম ওইরগা স্কুল অসিগী মহৈরোয় অমদি ওঝাশিং য়াওনা অকোয়বদা লৈবা মীয়াম খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নরে হায়রি।

স্কুল অসিগী ওঝাশিং অমদি অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদি মতম খরগী মমাঙদগী মওং তাদনা লৈরিবা স্কুলগী ৱাল ঙসি ফাওবা শেমজিনবিদ্রি, ঙরাং নহান নোংলৈ নুংশিৎনা মাঙ তাকহনখিবা বিল্ডিংসু শেমজিনবিদ্রি, দিপ্যুটি কম্মিস্নার য়াওনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদি লাত্তুনা য়েংশিনখিবদি লৈরে। অদুনা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অসিগী দরকার ওইবা মচাক মথুম অমদি লৈফম থোকপশিং য়াওনা নীংথিনা য়েংশিনবিদবনা মরম ওইরগা স্কুল অসি নোংম-নোংমগী মমি শাম্লকপগুম তৌরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

য়েংখোম অজিৎ লেকচররনা ফোঙদোরকখিবদি স্কুল প্লে গ্রাউন্দ মনাক্তা লৈবা ক্বার্টরদা মহাক লৈবনি। ক্বার্টরগী মনাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ফত্ত-হৌদি হৈদোকফম ওইবনা অপুম অশাগী মনম্না লৈবা ঙম্নদ্রে। মখল কয়াগী অনা অয়েক য়াওরক্কদ্রা হায়বগী অকিবা পোক্নরে। শান্নরোই অমদি মহৈরোয় নহারোল কয়াগী শান্নফম ওইরিবা প্লে গ্রাউন্দ মনাকমক্তদা অমোৎ অকায় ফত্ত-হৌদি অপূম অশা হৈদোকফম ওইহনবসি চুমদে। মরম অদুনা মফম চাবা য়েংদুনা ফত্ত-হৌদি অমোৎ অকায় হুন্দোকপা হৈদোকপনা ফগনি।

এ অঙম্বা লেকচররনা ফোঙদোকখিবদি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দ ওইরিবা অমদি শান্নরোই কয়াগী শান্নফম ওইরিবা মফম নক্লা ফত্ত-হাওদি হৈদোকফম ওইবনা অকোয়বদা লৈবা ক্বার্টরশিংদা লৈরিবা ওঝাশিং অমদি শান্নরোইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনবদা নত্তনা অপুম অশাগী মনম্না হকচাং শোকনিংঙাই ওইহল্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিদুনা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অসিগী ফিভম ফগৎনবা অমদি স্কুল শান্নবুং মনাক্তা ফত্ত হৌদি হৈদোকফম ওইরিবসি অতোপ্পা মফমদা হোংদোক্কবা হোৎনবিয়ু হায়রি।

কথাঙে গোস্পেল আইদোল সেসন টু লোইশিনখ্রে

তেংনৌপল, মে ১৫ঃ কথাঙে গোস্পেল আইদোল সেসন টুগী অরোইবা থৌরম অমসুং গ্রান্দ ফাইনেল ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

KATHANGE GOSPEL IDOL SEASON 2
Closing CEREMONY cum
GRAND FINALE
KATHANGE GOSPEL IDOL
ESTD 2018

কথাঙে গোস্পেল আইদোল কম্মিটিনা শীন্দুনা মমাঙ চহী ২০১৮ নভেম্বর ১৬ তগী চথরকখিবা গোস্পেল আইদেল সেসন টু লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এ দি সি চান্দেলগী চিয়ারমেন দি রিঙ্গো লমকাংনা অথোইবা মীথুংলেন, ভাইস চিয়ারমেন এস তোংপাউ মাতেনা থৌরম মপু অমদি এ দি সিগী মেম্বর চিন্নৈভা হাওকিপনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট থাংবোই লুংদিম, তেংনৌপল ব্লোক্কী প্রসিদেন্ট হাওপু মাতে, কুকি ৱুমেন ফোর হ্যুমেন রাইটস তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট চোংবোই মাতে, তেংনৌপল খৃষ্টান চর্চকী সেক্রেটরী তোংসৈ মাতে, চর্চ লিদর ওলদেন সাইখোলেট বাইতেসু থৌরম অদুদা য়াওখি।

তেংনৌপল, মোরে, চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপিদা হোং হোংদুনা পাঙথোকখিবা কথাঙে গোস্পেল আইদোল সেসন টুগী ঙসি চত্থখিবা গ্রান্দ ফাইনেলদা কন্টেষ্টেন্ট ১০ না অথোই অহেন তান্নখি। মদুদা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক ফাইজাং ভিল্লেজদগী নেকমোনশাং ৱাইফৈনা অহানবা, এস ফোনোমফাই ভিল্লেজদগী হোইনৈথেম হাওকিপ্না অনীশুবা, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী কপ্রাং ভিল্লেজদগী বোইকিম হাওকিপ্না অহুমশুবা, এস কানন ভেংদগী ঙমখোলুন মাতেনা ৪ শুবা, এম বোংমোল ভিল্লেজদগী হেমখোচোন হাওকিপনা ৫ শুবা, কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী এস হোনোমফাই ভিল্লেজদগী শিংজোইকিম চোংলোইনা ৬ শুবা, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাইলেং ভিল্লেজদগী মেরকুস পাওমিনলান হাওকিপনা ৭ শুবা, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোলনোম ভিল্লেজদগী সাইখোলুন হাওকিপ্না ৮ শুবা, কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী বিলৈ ভিল্লেজদগী সৈমিনথাং তৌথাংনা ৯ শুবা অদুগা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোলনোম ভিল্লেজদগী লুঙৌলান হাওকিপনা ১০ শুবা পোজিসন তাখি হায়রি।

খোলমুলেন, কথুং ভিল্লেজদা সিন্টেক্স টেঙ্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ ২৮ সেক্টর অসাম রাইফলসকী শজিক বট্টালিয়ন্না অসাম রাইফলস সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম ২০১৮-১৯গী মখাদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কনা ভেলি এরিয়াগী খোলমুলেন ভিল্লেজ অমসুং কথুং ভিল্লেজদা ঈশিং হাপ্পবা সিন্টেক্স ৫ ঙরাং য়েন্থোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কনা ভেলি এরিয়াগী খুঞ্জাশিংনা অফবা ঈশিং য়াওনা তঙাইফদবশিং ফংদনা লৈবদগী ভিল্লেজ ওথোরিটিনা অসাম রাইফলসতা তেংবাংবিনবা হায়জরকখিবা লৈ। মদুগী মতুং ইন্না ঈশিং হাপ্পবা সিন্টেক্স মতেং পাংখিবনি।

খোলমুলেন ভিল্লেজদা সিন্টেক্স ৩ অমসুং কথুং ভিল্লেজদা সিন্টেক্স ২ পূন্না ৫ অসাম রাইফলস সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা য়েন্থোকখিবনি। সিন্টেক্স ৫ পীবা অসিনা য়াম্না মনুং চঙশিনবা ঙমখে লমদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নরম্বা অদু খরমখেদি কোকহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

খুঞ্জাশিং অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা থাজবা অমসুং ভাব তানবগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবগা লোয়ননা ঈশিং হাপ্পবা সিন্টেক্স খুঞ্জাশিংগীদমক ফংহনখিবা অদুগীদমক অপেনবা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোক্লখি অমসুং অসাম রাইফলসপু থাগৎখি হায়রি।

মীলালনা শীনবা মীতে ময়েক চাংদম্নবগী অথোই অহেন তারবশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইন শিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল)না শীন্দুনা চৎলিবা থা অসিগী ৫ দা তোঙান তোঙানবা সেন্টরশিংদা পাঙথোকখিবা ১৩ রক শুবা লৈবাক থাক্কী মীতে ময়েক চাংদম্নবদা অথোই অহেন তারবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

মীলালগী সেক্রেটরী জেনরেল মুতুম মঙলেম্বনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা, কাঙলূপ ৫ থোক্লা খায়দোক্তুনা চাংদম্নখিবা অদুদা কাঙলূপ কাঙলূপকী ওইনা অথোই অহেন তারবা মহৈরোয় ১৮-১৮ গী মিং অমসুং মখোয়গী স্কুলশিং ফোঙদোরক্লি। চৎলিবা থা অসিগী ১৮ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোক্কদবা ময়েক চৎপা নুমিৎ থৌরমদা অথোই অহেন তাখ্রবা পুম্নমক্তা মনা মথুম য়েন্থোক্কনি।

কাঙলূপ খূদিংগী মকোক মথং অহুম তাখিবশিংদি মহৈগী থাক ৱান অমসুং টু কাঙলূপ্তা কিদস ক্যার সেন্টর খেকমনগী এলাংবম অরানি দেবী অমদি লৈশেম্বা মহৈকোল চীংঙারেলগী সলাম কৈঙানবা মীতৈনা পূন্না অহানবা, আর এম স্কুলগী করুনা নামৈরাকপমনা অনীশুবা অদুগা স্কুল অসিমক্কী চনক্য খুরাইলাকপম্না অহুমশুবা তাখ্রে।

মহৈগী থাক থ্রি অমসুং ফোরগী কাঙলূপ্তা কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুরগী লাঙ্গোলজম ইনুংলেম্বী চনু অমসুং স্কুল অসিমক্কী জষ্টিকা গুরুময়ুমনা পূন্না অহানবা রতনকুমার মেমোরিয়েল স্কুলগী রিয়া খ্বাইরাকপম্না অনীশুবা অদুগা সনাতোম্বী ওরিয়েন্টেল ইংলিস স্কুলগী ওইনাম তয়ালরানি চনুনা অহুমশুবা তাখ্রে।

মহৈগী থাক ফাইভ অমসুং সিক্সকী কাঙলূপ্তা লৈশেম্বা মহৈকোল কংলা চীংঙারেলগী কৈশাম পুষ্পরানি অমসুং আর এম স্কুলগী ওইনাম কবিতা দেবীনা পূন্না অহানবা, পিতম্বরা ইংলিস স্কুলগী মঙানম্না অরিবমনা অনীশুবা অদুগা সনাতোম্বী হায়স্কুলগী সলাম দোলরজিৎনা অহুমশুবা ওইখ্রে।

মহৈগী থাক সভেন অমসুং আইট কাঙলূপ্তা আর এম স্কুলগী এম লিম্থোইঙম্বী চনুনা অহানবা, স্কুল অসিমক্কী রাজকুমারী ধানজিতা চনু অমসুং ময়াংলম্বম গাইত্রি দেবীনা পূন্না অনীশুবা অদুগা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী য়াইখোম য়াইফবী চনু অমসুং আর এম স্কুলগী ভেনুস লাইফ্রাকপম্না পূন্না অহুমশুবা তাখ্রে।

মহৈগী থাক নাইন অমসুং টেন কাঙলূপ্তা ফ্রেন্দসিফ এদুকেস্নেল একাদেমিগী দেরিন ওইনামমনা অহানবা, আর এম স্কুলগী সজিনা তোংব্রম দেবীনা অনীশুবা অমসুং স্কুল অসিমক্কী সঞ্জনা নিংথৌজমনা অহুমশুবা তাখ্রে হায়রি।

লম্বী লৈতবদগী মহৈরোয়শিং অতোপ্পদা লাইরিক তম্নখিবা থেংনরেঃ এম এস এফ

জিরিবাম, মে ১৫ঃ বোরোইখল, সভুঘাট অমদি বাবুখলদা লৈবা স্কুলশিংগী ফিভম ঙরাং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) হেদ ওফিস ইম্ফাল অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী টিম অমনা কোয়না চত্তুনা য়েংশিল্লুবদা স্কুল অমদি খুঞ্জাশিং চৎনবা খোঙ লম্বী ফাওবা লৈতবনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিং অতোপ্পা মফমদা হোংলগা লাইরিক তম্নখিবা কয়া থেংনরে।

এম এস এফকী প্রসিদেন্ট এন জি মিলন্না লুচিংবা খোঙচৎ অদুদা হেদ ওফিসকী এক্সটর্নেল এফিয়ার্স সেক্রেটরী মাইবম জুলেস সিংহ, ফাইনান্স সেক্রেটরী য়েন্দ্রেম্বম বুংচা, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী এম দি জিশান, এম এস এফ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অতোম রজিব, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ফাইনান্স শায়ম সঞ্জোয় সিংহসু য়াওখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা বোরোইখল স্কুলগী মনাক্তা লৈরম্বা কোন্থৌজম ইবুংঙোমচা কৌবা মীওই অমনা পাউদম্লকখিবদি চহী ৩ লোম স্কুল অসিদা ওঝাসু লাক্তে, মহৈরোয়সু লাক্তে নোংফাদোক্তি লাকই। য়ুমথংননা লৈমিন্নবা এন জি কান্তমনি (৫৬)না ফোঙদোরকখিবদি হৌজিক মফম অসিদা নুপী অঙাং অমত্তা উদবগী মরমদি লৈরিবা স্কুলশিং অসি মতিক চারক্তবনা মরম ওইরগা নুপী অঙাংশিংনা মফম চাবদা লৈহল্লগা অঙাংশিংগী লাইরিক তমহল্লিবনি। অদুগা নুপাশিংনা মফম অসিদা অদুমক লৈদুনা থবক শুরগা শেন তান্দুনা হিংলিবনি।

মীয়াম্না হৌজিক চৎনরিবা লম্বী অসি ঙমখে লাম্থোক্লবা অসাম ফাওদুনা চৎলগা জিরিবাম য়ৌবনি। অমনা লৈঙাংপোকপি ফাওবা ঈশিং লম্বীদা পুং ২ মুক চঙনা মোটোর বোট নৎত্রগা হি তোংদুনা চৎলি। খোঙ লম্বী ফাওবা লৈতে। হান্নদি লৈরম্মী হৌজিক ফুনজিনখ্রে। অদুনা মীয়াম্না খোঙ লম্বী শেম্বগী থবক চত্থরি।

এম এস এফ প্রসিদেন্ট এন জি মিলন্না হায়, ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা কেম্পেইনগী পান্দমদা বোরোইখলদা লৈবা স্কুলশিংগী ফিভম য়েংশিনখিবনি। মদুদা বোরোইখল প্রাইমারি স্কুলদা ওঝা, মহৈরোয় অমদি দরকার ওইবা মচাক মথুম মতিক চানা লৈরম্বা থেংনখি। তোঙান তোঙানবা স্কিমগী কান্নবা ফংখি হায়বগী মমিদি উবা ফংদ্রি। অদুগা লৈঙাক্লা খুঙ্গং চৎসি অমদি মহৈরোয়শিংগী ওইবা স্কিম কয়া পায়খৎলিবা অসিগী ফেল ওইবগা চপ মান্নরে।

জিরিবাম ময়োলদগী বোরোইখল ফাওবা চৎনবগী খোঙ লম্বী লৈতবনা ঈশিং লম্বীদা পুং ২ রোম চঙনা মোটোর বোট তোংদুনা চৎলি। অসুক চাউখৎলবা মতম অসিদা অসিগুম্বা মফম অমদি স্কুল লৈরম্বা অসি অঙকপা ফাওই। মরম অদুনা ষ্টেট লৈঙাক্লা খুঙ্গং চৎসি অমসুং স্কুল চৎসি মিসন লাউথোক্লগা থবক ওইনদি পাঙথোক্তবা অসি তোকপগা লোয়ননা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমদা চত্তুনা য়েংশিনবিয়ু। এদুকেসন সিষ্টেম অসিগী মখাদা মহৈরোয়শিংগী তুংগী লম্বী য়াৎপিয়ু।

এম এস এফ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অতোম রাজিবনা হায়, বোরোইখল, বাবুখল অমদি সভুঘাটতা লৈবা স্কুলশিং য়েংশিল্লুবদা লম্বী থোং নীংথিনা লৈরমদবা, ওঝা চাং নাইনা লাক্তবনা মরম ওইরগা খুঞ্জাশিংনা মখোয়গী মচাশুশিং মফম চাবদা থাদুনা মহৈ মশিন তমহল্লিবা কয়া অসি য়াম্না নীংবা কায়নিঙাইনি। অদুনা তলবতি চারগা মথৌ তৌদবা ওঝাশিং মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবিদুনা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপিয়ু হায়নসু মঙাক্লা আপিল তৌখি।

মাওকোটতা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ ১০ সেক্টর অসাম রাইফলসকী চহাদ বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর মনাক্তা লৈবা মাওকোট বিল্লেজদা ঙসি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মনুং চঙশিন্না ঙমখে লমদা লৈবা খুঞ্জাশিংদা তঙাইফদবা হেলথ ক্যারগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা মীৎয়েংদা চথরকপা থৌশিলগী মনুংচন্না মেদিকেল কেম্প অদু পাঙথোকখিবনি।

কেম্প অদুদা নুপা ১২, নুপী ২৩ অমসুং অঙাং ৪৫ য়াওনা অনাবা ৮০ দা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট পীবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু লেম্না ফংহনখি। অসিদসু নত্তনা অনা লায়েংগী লমদা দরকার ওইনা চেকশিনগদবশিং হেলথ এদুকেসন, হাইজিন অমসুং সেনিটেসনগী তঙাইফদবা কয়া অদু হেন্না নীংথিনা খঙহনখি। খুঞ্জাশিংনা শেল-থুমগী ফিভম ফত্তবা অমসুং য়াম্না মনুং চঙশিন্না লৈবনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অদু খঙনা মীপূম খূদিংমক্তা লাইফষ্টাইল দিজিজশিং য়াওনা নীংথিনা চেকঅপ তৌখি। মদুগীদমক ভিল্লেজ ওথোরিটিনা অপেনবা অমসুং থাগৎপসু ফোঙদোকখি হায়রি।

মপূং ফাদনা স্কুল লিংখৎপনা প্রাইভেট স্কুলশিংবু লান্না উহল্লেঃ এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ স্কুল অমা লিংখৎপদা চঙগদবা নিতি নিয়ম মরুওইবা মচাক মথুম মপূং ফাদনা পংলিংদা লিংখৎপনা লমদম অসিদা এদুকেসনবু ফাগি তাহন্দুনা মীয়াম্না প্রাইভেট স্কুলশিংবু লান্না উহল্লে হায়না ওল মণিপুর রিকোর্গনাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী সিঐচ শ্যামচন্দ্র সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি চৎন-কাঙলোন চুম্না রিকোগনিসন তৌদবা বোর্দ অমদি কাউন্সিলদা এফিলিয়েসন তৌদনা অতোপ্পা স্কুলদা নপ্তুনা স্কুল হাংবনা মহৈরোয়শিংবু লল্লোনপোৎ ওইনা মীয়ামদা উহল্লে অমদি চহী অমগী কেরিয়র মাঙহল্লে। চৎন-কাঙলোন চুম্না গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা নীংথিনা স্কুল তৌজরিবা কয়াবুসু হুরান লান্নাদা স্কুল তৌরিবশিংনা মাংথোকপিরে। চৎন-কাঙলোন ঙাক্তনা কল্লক খন্নবগী মওংদা স্কুল লিংখৎপদি এসোসিয়েসন্না কৈদৌঙেদা য়েংদুনা লৈরোই। ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর অমদি কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনসু চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবা, মশাগী ওইজবা থিবা মানবা মওংদা ইন্টরেষ্ট খরগীদমক পংলিংদা লিংখৎলিবা স্কুলশিং কৃপ্পা য়েংশিন্দুনা স্কুল মশেল য়েংথিনবা থোক্তনবা হোৎনবিগদবনি হায়বগী ৱাফমসু থল্লি।

মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংগী তুংগী কেরিয়র শেম্নবগীদমক স্কুলশিংদা মিং চনবিবা মতমদা মরী মখোঙ চুম্না হায়বদু থিদোকপিয়ু, রিকোর্গনাইজ তৌরব্রা হায়বদু য়েংবিহো নৎত্রগদি অঙাংশিং মাঙবদা নত্তনা খুন্নাই অসিবু লান্না লমজিংগদৌরিবনি। মরী মখোঙ থিদোক্তনা মিং চল্লবদি মদুদগী থোরকপা অফ-ফত্ত খূদিংমক্কী দাইত্ব এসোসিয়েসন্না পুবা ঙম্লোই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোলকটা পুলিসনা আমিট সহাগী মথক্তা এফ আই আর ২ লৌখৎখ্রে

কোলকটা,মে ১৫ (এজেন্সি)ঃ

ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট আমিট সহানা পাঙথোকখিবা রোড শো অদুদা হিংশাগী থৌদোক থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা কোলকটা পুলিসনা এফ আই আর অনী লৌখৎখ্রে। লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা মীওই ১৬সু ফারে।

এফ আই আরশিং অদু জোরাসনকো অমসুং অমহেরষ্ট পুলিস ষ্টেসনদা বিদ্যাসাগর অমসুং কলকটা য়ুনিভর্সিটিগী ত্রিনামুল ছাত্র পরিষদগী মহৈরোইশিংনা ফাইল তৌখিবনি। বি জে পিগী ৱাকরশিংনা কলকটা য়ুনিভর্সিটিগী বিদ্যাসাগর কোলেজদা চঙলক্লগা মুর্ত্তি থুগায়খি অমদি মৈ থাখি হায়না মহৈরোইশিংনা মরাল শীখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কলকটাদা পাঙথোকখিবা বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিট সহাগী রোড শোদা বি জে পি অমদি ত্রিনামুল কোংগ্রেস শৌগৎপা কাঙবুশিংগী মরক্তা চাওনা হিংশা থোক্লখি। লোয়ননা বেঙ্গলগী রিনাইসেন্সকী শক্তম ওইরিবা ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যসাগরগী মুর্ত্তি থুগায়খি। গাড়ী অনী মৈ থাদোকখি। কোলকট্টা পুলিসনা মীয়াম অদু তানখাইনবা লাঠি চার্জ তৌখি। মীওই ১০০ হেন্না পুলিস কষ্টদিদা ফাজিনখি।

চৈরক অসিদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্য নাঠনা ঙরাংগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ত্রিনামুল কোংগ্রেস অমদি চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিদা অকনবা মওংদা মরাল শীখ্রে।

ঙরাংগী থৌদোক অদু শাথিনা লাইবক থীবনি হায়না শীংথারদুনা অদিত্য নাঠনা বেঙ্গলগী মীয়াম্বু অসিগুম্বা মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা থোরত্তুনা ত্রিনামুল ত্রিনামুল কোংগ্রেসপু হুন্দোকখিনবা অপিল তৌখি।

হন্নচীংগী মিং ৱায়বিগনু

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ নোংদা লাইরেল পাখঙবা লৈবা হন্নচীংগী খুভমদা ইপা ইপুশিংনা কুমজা ১৯৪৪ দগী মতম শাংনা ইরাৎলম্বদগী মচা মশুশিংনা ইরাৎপা চহী ৬৬ শুরে। অদুবু চেঙ হৈবা, লাই কৈথেল কাবনচিংবদি পাঙথোক্লমদে হায়না লাইনিং কোলোই অৱাং মাজিং চীংতমপোক পাখঙবা ইথুপ পথেক ৩ নোংদম শঙলেন হন্নচীং থৌগল্লুপকী প্রসিদেন্ট এম মঙ্গি মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

হন্নচীংগী তাইনবা মেকোলোক ৱাংমদা লৈবা লাইফম ময়ামগী মরক্তগী খুমু চীংজিন্দা থা অসিগী ১৮ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা চেঙ হৈবা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা হন্নচীংগী মিং ৱায়বসি তৌবিগনু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

ঙসিগী রাষি ফল (১৬-০৫-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ খৎনবা, শাওনবা, শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈ। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ খরা ফগনি।

বৃষঃ খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ অফবনি।

মিথুনঃ হোৎনবা য়াবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৫,৬,৭ অফবনি।

কর্কটঃ খৎনবা, শোক্কনবা, অরানবা তাবা, মীচং শোম্বা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ৭ ফগনি, ৮ ফত্তে, ৯ খরা ফগনি।

সিংহঃ খৎনবা, শাওনবা, তোখাই তাবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

কন্যাঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, মরী মতা তিন্নবশিংদগী মতেং ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩, ১৪ অফবনি।

তুলাঃ হোৎনজমন কান্নবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, হকচাং ফগৎপা মতম্নি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫,১৬ অফবনি।

বৃশ্চিকঃ তোখাই তাবা, খৎনবা, ৱাখল শাবা, শেল চৎপা মতম্নি। চেকশিনবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ ফত্তে, ১৮ খরা ফগনি।

ধনুঃ শাওনবা, খৎনবা, কোক শাবা, মীৱা মীশা তাবা মতম্নি। শেল ফংবা, চৎপা মতম্নি। অচৌবনা চানবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

মকরঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা অফবা ওইবা মতম্নি। মরুপ মফম ফগৎলগনি। শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২,২৩ অফবনি।

কুম্ভঃ খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা পাঙথোকপা, ৱাখল হকচাং ফবা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩, ২৪,২৫ অফবনি।

মীনঃ শোক্কনবা, শাওনবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। মরুপ মফম চেকশিল্লু। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ ফত্তে, ২৭ খরা ফগনি।


চাকঙাইং ৱারী-১২
অপঙবা হিংচাবা
অইবা অমসুং অয়েকপা
লোং পান
তাদি তাখরে মশক্তি উদ্রি অমুক্তা উন্নসি, শক শক খঙনসি, অদুনা থোঙসি হাংবিয়ুদো
অপংবা হিংচাবা, কনামত্তনা নিংথৌগী মশক উবা য়াদে খঙদ্রা, মফমসি ঐনা লৈরদবনি